# কুরুক্ষেত্রদা দেরাগী সেন্টর ৯ সিল্ড তৌশিনখ্রে

## পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা চৈ অমদি খুৎলাই কয়ামরুম ফাগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):

কুরুক্ষেত্র পুলিসনা দেরা সচা সাউদাগী কোঙ্গ্রিগেসন সেন্টর মাপন সিল্ড তৌশিনখিবগা লোয়ননা গুরমিট রাম হরিম সিংহগী তুংইন্না মীওই পূম্নমক মফম অদু থাদোক্তুনা চৎহনখ্রে।

পুলিসনা সেন্টর মাপন্দা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা চৈ ২,৫০০ অমসুং অতৈ খুৎলাই কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি। দেরা সচা সাউদাগী মীওইশিং চৎহনখ্রবা মতুংদা পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা মফম পূম্নমক চেকশিন্না ঙাক শেনখি।

কুরুক্ষেত্রগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অভিশেক গার্গনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা নাম চর্চা ঘর (কোঙ্গ্রিগেসন সেন্টর) মাপন সিল্ড তৌশিনবগা লোয়ননা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চঙহনদ্রে।

মশানা মশাবু তাইবঙ মপুনি হায়না ক্লেম তৌজবা গুরমিট রাম হরিম সিংহবু পঞ্চকুলাদা ঙরাং সী বি আইগী কোর্ট অমনা রেপ কেসতা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা মফম কয়াদা হাৎনা শুনবা অমসুং মৈ থাবগী থৌদোক থোরকপদগী অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

অমরোমদা, কোর্টনা কনভিক্সন পীখ্রবা গুরমিট রাম রহিম সিংহদা গভর্ণমেন্টনা পীরম্বা জেদ প্লস সিক্যুরিটি লৌথোকখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা হরিয়ানাগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস বি এস সন্ধুনা হায়খি, রেপ কেসতা চেন্নবগীদমক গুরমিট রাম রহিম সিংহ ফাখিবা মীৎকুপ্তা জেদ প্লস সিক্যুরিটি লৌথোকখ্রবনি।

হরিয়ানাগী রোহটকতা লৈবা সুনারিয়া জেলদা খোইয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা রাম রহিমবু ইচম চম্বা মীচম অমগা চপ মান্ননা থল্লি হায়না হরিয়ানাগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (জেলস) কে পি সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

দেরা সচা সাউদাগী লূচিংবা অসিদা অখন্নবা মখলগী খুদোংচাবা অমত্তা পীবা লৈতে। মহাক্ক া জেল মনুংদা তৌবা থবক থৌরমশিং খঙবা ঙম্নবগীদমক গার্দ মরি মনাক্তা ঙাক শেন্দুনা থল্লি হায়না কে পি সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দেরা সচা সাউদাগী কোঙ্গ্রিগেসন সেন্টর খূদিংমক থিবা হুম্বগী চথনবা য়াথং পীখ্রে।

দেরা সচা সাউদাগী লূচিংবা গুরমিট রাম রহিম সিংহবু রেপ কেসতা মরাল লৈরে হায়না কনভিক্সন পীখ্রবা মতুংদা হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়া থোরকপদগী হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হরিয়ানা, পঞ্জাব অমসুং চান্দিগরগী ফিভম য়েংশিনবা লৈখ্রবনি।

রাজনাথনা হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খটার অমসুং পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহদা টেলিফোন তৌদুনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা লৌখৎপা থৌরাংশিংগী মতাংদা রিপোর্ট লৌখি। কিরগিজ রিপব্লিক্তগী হেক থুংলবগা এয়রপোর্টতগী নোর্থ ব্লোক্তা লৈবা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসতা হকথেংননা চৎখিবা রাজনাথ সিংহনা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীবা লৈখ্রে।

# বিহারদা লুপা ক্রোর ৫০০ তেংবাঙ পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঈচাউগী অৱাবা নংলবা বিহারগী মতেং পাংনবগীদমক লুপা ক্রোর ৫০০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মীওই চা কয়া শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লাখ কয়ামরুম ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রবা ঈচাউগী ফীভম য়েংশিল্লবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা তেংবাঙগী শেনফম অসি লাউথোকখিবনি। মমাঙদা বিহারগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর সুশিল কুমার মোদিনা সেন্টরদা মতেং পাংবীনবা হায়জখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিগী ঈচাউদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ২/২ এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা পীরগনি অমসুং অশোক-অপন নংলবা মীওইশিংদনা লুপা লীশিং ৫০/৫০ পীরগনি হায়নসু লাউথোকখি।

অসামগী দিষ্ট্রিক্ট মাপন্দা লৈবা মীওই লাখ ৪.৫ ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শিখিবা মীওই ১৫৬ শুখ্রে।

খুঙ্গং ৬০৬ হৌজিকসু ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরি। ধুব্রি দিষ্ট্রিক্তা ঙসি মীওই অমা ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা শিখি। মসি থারগা চহী অসিগী ওইনা অসামদা ঈচাউগা মরী লৈননা শিখিবা মীওই ১৫৬ শুরে। গুৱাহাটিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই নিপান ঈচাউনা মরম ওইরগা শিখ্রে হায়না অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এ এস দি এম এ)গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ধেমাজি, লখিম্পুর, বর্পেতা, চিরাং, সাউথ সলমরা, গোলপরা, মোরিগাউন, নাগাউন অমদি গোলাঘাদ দিষ্ট্রিক্তা মীওই লাখ ৪.৩১ ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরি হায়রি।

# টি টি ভী দিনাকরননা রাজেন্দ্রনবু চীফ হ্বিপ ওইবা তোকহনখ্রে

চেন্নাই, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) : নাইতোম ইন্থোক্তুনা থম্বীখ্রবা এ আই এ দি এম কেগী দেপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরি টি টি ভী দিনাকরননা ঙসি গভর্ণমেন্টকী চীফ হ্বিপ এস রাজেন্দ্রন মফম লৌথোকখ্রে। দিনাকরনগা নক্লবা এম এল এ ১৯ রাজেন্দ্রননা দিসক্বালিফাইদ তৌখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা দিনাকরননা হায়খি, রাজেন্দ্রনবু পার্টিগী আরিয়ালুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ফমদগী লৌথোক্লে। মহাক্কী মহুত্তা পি মুতিয়াননা ফম অসি পায়রগনি। হৌখিবা শগোনশেল নুমিৎতা রাজেন্দ্রননা দিনাকরনগা নক্লবা এম এল এ ১৯ দিসক্বালিফাইদ তৌনবা স্পিকর পি ধনপালদা ৱাকৎপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, দিনাকরনগা নক্লবা এম এল এশিংনা গভর্নর সী ঐচ বিদ্যাসাগর রাও উনদুনা অথুবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর পলানিস্বামি মফম লৌথোক্কদবনি হায়না অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা তকশিনখি।

## In the High Court of Manipur at Imphal

### W.P.(C) No. 606 of 2017

**In the matter** of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India for issuance of a writ in the nature of Certiorari or Mandamus or any other appropriate writ or writs for quashing/setting aside of the MCSCC exam. 2016 as there has been patent irregularities and illegalities found on accessing the RTI copies of the answer scripts with respect to some candidates, Mal-practice, irregularities, illegalities carried out by the MPSC in the conduct of the Examination, Tampering of Marks, decreasing and increasing of marks, wrong method of tabulation, error in totaling of Marks, forging of signatures, absence of signature of the Examiner, Supervisor, Scrutinizer, etc., Incorrect method of allotting of marks, Arbitrary, malafide and discriminatory way of conduct of MCSCC Exam. 2016.

Shri Yumlembam Surjit Singh, aged about 41 years, S/o Y. Kunjo Singh, resident of Kongba Makha Nandeibam Leikai, P.O.: Singjamei, P.S.: Irilbung, Manipur and 21 Ors.

...PETITIONERS

-Versus-

The Manipur Public Service Commission through its Secretary and 80 Ors. ...RESPONDENTS

To

| | | |
|---|---|---|
| 1 | Loktongbam Leander | Respondent No. 3 |
| 2 | Shenyai Leima Angom | Respondent No. 4 |
| 3 | Khwairakpam Tompok Singh | Respondent No. 5 |
| 4 | Robert Longjam | Respondent No. 6 |
| 5 | Binita Ngangbam | Respondent No. 7 |
| 6 | Teresa Tangpua | Respondent No. 8 |
| 7 | Tongbram Bimolchand Singh | Respondent No. 9 |
| 8 | Paotinsei Kipgen | Respondent No. 10 |
| 9 | Linda Ningombam | Respondent No. 11 |
| 10 | Lianminthang Samte | Respondent No. 12 |
| 11 | Mohammed Gayasuddin Khan | Respondent No. 13 |
| 12 | T. Khaimenlal Haokip | Respondent No. 14 |
| 13 | T. Joseph Lhungdim | Respondent No. 15 |
| 14 | James Konsam | Respondent No. 16 |
| 15 | Sorokhaibam Sitrajit Singh | Respondent No. 18 |
| 16 | Premandi Okram | Respondent No. 20 |
| 17 | Yengkhom Jivan Singh | Respondent No. 21 |
| 18 | L. Thanggoulien Khongsai | Respondent No. 28 |
| 19 | K. Lunlenmoi Vaiphei | Respondent No. 30 |
| 20 | Shonjakhup Haokip | Respondent No. 31 |
| 21 | Shiekh Assif Shah | Respondent No. 32 |
| 22 | Thingbaijam Kamaljit Singh | Respondent No. 33 |
| 23 | Ningthoujam Lamjingbi | Respondent No. 34 |
| 24 | Laishram Bhagat Singh | Respondent No. 35 |
| 25 | Samukcham Jemmy | Respondent No. 36 |
| 26 | Soraisam Anuka | Respondent No. 37 |
| 27 | Atom Limananda Singh | Respondent No. 38 |
| 28 | Laiphrakpam Thomson | Respondent No. 39 |
| 29 | Ngangbam Sanatombi | Respondent No. 40 |
| 30 | Reema Haobam | Respondent No. 41 |
| 31 | Sapam Nirva Devi | Respondent No. 42 |
| 32 | Julia Khuraijam | Respondent No. 43 |
| 33 | Susma Sharma Gurumayum | Respondent No. 44 |
| 34 | Heisnam Romio Singh | Respondent No. 45 |
| 35 | Charan Kumar Asem | Respondent No. 46 |
| 36 | Ngangbam Romia | Respondent No. 47 |
| 37 | Rajshree Yambem | Respondent No. 48 |
| 38 | Rajkumari Sanjukta | Respondent No. 49 |
| 39 | Victoria Huidrom | Respondent No. 50 |
| 40 | Thokchom Sundaraj Singh | Respondent No. 51 |
| 41 | O. Poireingamba Khumancha | Respondent No. 52 |
| 42 | Moirangthem Gautam | Respondent No. 53 |
| 43 | Irungbam Julius Singh | Respondent No. 54 |
| 44 | Sonia Haobijam | Respondent No. 55 |
| 45. | Ningombam Rabichandra Meetei | Respondent No. 56 |
| 46 | Ningthoujam Nishikanta Singh | Respondent No. 57 |
| 47 | Yumlembam Paramveer Singh | Respondent No. 58 |
| 48 | Yumkhaibam Jayalakshmi Devi | Respondent No. 59 |
| 49 | Tayenjam Clinton Singh | Respondent No. 60 |
| 50 | Laishram Tarajeet Singh | Respondent No. 61 |
| 51 | Heisnam Rameshchandra Singh | Respondent No. 62 |
| 52 | Md. Hefajuddin | Respondent No. 63 |
| 53 | S. Tryphena Reikhenamai | Respondent No. 64 |
| 54 | Mohammed Nazmul Huda Khan | Respondent No. 65 |
| 55 | Michael Fimliensang Fimate | Respondent No. 66 |
| 56 | PF Lophro | Respondent No. 67 |
| 57 | Md. Farijuddin Khan | Respondent No. 68 |
| 58 | Aruw Kayina | Respondent No. 69 |
| 59 | Kaongamliang Riamei | Respondent No. 70 |
| 60 | Ramrumpam R. Shimray | Respondent No. 71 |
| 61 | Kasar Chonchui | Respondent No. 72 |
| 62 | Robert Lhungdim | Respondent No. 73 |
| 63 | T. Chinkhansiam | Respondent No. 74 |
| 64 | Gaishingthui Gangmei | Respondent No. 75 |
| 65 | Glory Chingthiankim SP | Respondent No. 76 |
| 66 | Yumnam Dhanendra Singh | Respondent No. 77 |
| 67 | Maibam Gautam Singh | Respondent No. 78 |
| 68 | Purbashree Sanglakpam | Respondent No. 79 |
| 69 | Dinesh Thingom | Respondent No. 80 |
| 70 | Laikangbam Kherju | Respondent No. 81 |

**NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C (SUBSTITUTED SERVICE)**

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 16.08.2017 passed in WP(C) No. 606 of 2017 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 3 to 16, 18, 20, 21, 28, 30 to 81 by way of "Substituted Service" through publication in 2(two) local dailies, one in English and one in local varnacular for two consecutive days returnable i.e. on or before 15.09.2017.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before 15.09.2017 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard, the Case will be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 24th day of August, 2017.

By Order
M.C. Nandi
Assistant Registrar-I
High Court of Manipur
Imphal (Manipur)

By : Ms. G. Pushpa, Advocate
Dated, Imphal
The 24th day of August, 2017

HL-P/2659/26&27

# ওগষ্ট ২৯দা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানবদা জি জে এম শরুক য়ারগনি



দার্জিলিং, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

গোর্খা জনমুক্তি মোর্চা (জি জে এম)না হায়খ্রে মদুদি, ওগষ্ট ২৯দা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱারী শানবগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

জি জে এমগী লূচিংবা অমর সিংহ রাইনা পাউমীশিংদা হায়খি, হৌখিবা অহিংদা পাঙথোকখিবা জি জে এমগী মীফম অমনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌখি। গভর্ণমেন্টনা ৱারী শানবদা শরুক য়াবীনবা চেবাউ পীরকপগী মতাংদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

অমরোমদা, জি জে এমনা তোখায়বা গোর্খালেন্দ তান্দুনা চঙশিল্লকপা খোঙজং নুমিৎ ৭৩ শুরে।

দার্জিলিংদা অকনবা ঈহৌ হৌরক্লিঙৈ চৈরক্তা জি জে এমগী লূচিংবা নিরাজ প্রধান ফাবা লৈখ্রে। হান্না ৱার্দ নম্বর-৮গী কাউন্সীলর ওইরম্বা নিরাজ প্রধানবু কর্সিয়োংদগী তোঙান তোঙানবা চার্জদা ফাখিবনি।

গোর্খাশিংগী তোখায়বা ষ্টেট তান্দুনা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা গভর্ণমেন্টকী লন-থুম মাঙ-তাকহল্লি হায়বা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরাল কয়া শীদুনা জি জে এমগী লূচিংবা অসি ফাজিনখিবনি।

কোলকাটাগী কোর্ট অমনা মন্দল তমাং হাৎখিবগী কেসতা জি জে এমগী লূচিংবা বিমল গুরুং মরাল লৈতে হায়না থাদোকপা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক অতোপ্পা মীওই ৪৭কী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌগদবনি হায়না য়াথং পীখি।

দার্জিলিংদা ওল ইন্দিয়া গোর্খা লিগকী লূচংবা মন্দন তমাং হাৎখিবদা বিমল গুরুং চেন্নৈ হায়না সী বি আইনা পুখৎলকখিবা কেস অমা সেসন্স কোর্টকী চীফ জজ কুন্দন কুমার কুমাইনা রিজেক্ট তৌখি। অদুম ওইনমক বিমল গুরুংগী লোয়নবী অশা য়াওনা কেস অসিদা চেন্নরিবা অতৈ মীওই ৪৭কী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌগদবনি হায়না খঙহনখি। ওগষ্ট ২৮ ফাওবগী মমাঙদা মরাল লৈরে হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌগদবনি।

# বি এস এফনা পাকিষ্টানি রেঞ্জর ৩ হাৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

জম্মুগী ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক্তা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা পাকিষ্টানি রেঞ্জর অহুম নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

ওফিসল অমনা হায়খি, পাকিষ্টান্না সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রবা মতুংদা বি এস এফনা খুৎ হনবদা পাকিষ্টানি রেঞ্জর অহুম শিখিবনি।

ওফিসল অমগী ৱারোল পল্লদুনা পি টি আইগী রিপোর্টনা হায়, কাশ্মীরগী রাজোরি দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈরিবা দুরা খুঙ্গংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। অহানবদা পাকিষ্টানি রেঞ্জরনা মোর্টার সেল কয়ামরুম দুরা খুঙ্গংদা কাপশিল্লকখি। ঙমখৈ ঙাক্লিবা বি এস এফকী জৱানশিংনা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিনবদা পাকিষ্টানি রেঞ্জর অহুম শিখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, জাকির মুসানা লূচিংবা অল-কাইদাগা মরী লৈনবা মিলিটেন্ট মশীং য়াম্না কাশ্মীরদা লৈতে হায়না মকোক থোংবা আর্মি কম্মান্দর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

শ্রীনগরদা বেজ তৌবা চিনার কোরগী জেনরেল ওফিসার কম্মান্দিং (জি ও সী), লেফটনেন্ট জেনরেল জে এস সন্ধুনা পাউমীশিংদা হায়খি, জাকির মুসানা কাশ্মীরদা মখল কয়াগী এটেক চথনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়জবা তারবসু লূপ অসিগী মীওই মশীং য়াম্না লৈতে হায়বা খঙলে।

দিল্লি পব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমগী নাকোয়ননা পাউমীশিংগা উনবদা আর্মি কম্মান্দরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, মমাঙ চহীগা য়েংনবদা কাশ্মীরগী ফীভম ফগৎলক্লে হায়না লৌবা য়াই। হাৎনা শুনবগী থৌদোক মশীং হন্থরকপদগী মীয়াম্না মহৌশাগী পূন্সিদা মায় ওনশিনবা ঙল্লে।

জম্মু এন্দ কাশ্মীর আর এস পুরা সেক্টরদা পাকিষ্টাননা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফকী জৱান অমা শোকপা লৈখ্রে। ঙাইহাক লৈতনা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীচম অমদি সিক্যুরিটি পার্সনেল কয়া শিবা লৈখ্রবনি।

# এন এল এফ টি ৪ সরেন্দর তৌরকখ্রে

অগরটালা, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী):

ত্রিপুরাগী ধলাই দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা রাসিয়াবারি পুলিস ষ্টেসনগী রাজবারিদা নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (এন এল এফ টি)গী মীওই মরি বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সেস (বি এস এফ)তা খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রে।

বি এস এফকী ওফিসলশিংনা হায়খি, এন এল এফ টিগী মীওইশিং অদু চঙজরকপা মতমদা খুৎলাই অমত্তা লোয়নরকখিদে। খুৎলাই অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া মরাং কায়না লৈতবদগী খুদোংচাদবা মায়োক্ল রবা এন এল এফ টিগী মীওই কয়া অথুবা মতমদা চঙজরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ত্রিপুরা নীংতমহন্নবা পান দমদা চহী ২গী মমাঙদা এন এল এফ টিদা য়াওরকখিবা মীওইশিং অদু চাওমানু পুলিস ষ্টেসন মনুং চন্না লৈবা ধালসেরাদগী ঙাক্তনি। চঙজরক্লবা মীওইশিং অদুদা রিহেবিলিটেসনগী খুদোংচাবা পীরগনি হায়রি।

## ꯁꯦꯝꯒꯠꯄ/TEACHERS TRAINING PROGRAMME লোইশিনখ্রে



RDS Dealers Pvt. Ltd. না Sponsor তৌবা Manipur Nano Science & Technology Education গী Teachers Training Programme হৌখিবা তাং ৩১-৭-২০১৭ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎতগী Hotel Mass কী Conference Hall দা পাঙথোকপা হৌরকখিবদু ঙসি তাং ২৬-৮-২০১৭ ইং, থাংজ নুমিৎতা লোইশিনখ্রে। ট্রেনিং অসিদা য়াওখিবা কেন্দিদেটশিংনা ইশা-ইশাগী পীফম থোকপা ট্রেনিং ফীশিংদু তাং ২৯-৮-২০১৭ ইং ফাওবগী মনুংদা থিদোকপীয়ু নৎত্রগদি তাং ৩০-৮-২০১৭ ইংদা Appointment Order থোক্লকপদা অদোমগী মিং য়াওরক্লোই অমদি Appoint তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা তাং ৩১-৮-২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১ তাবদা Mass Hotel Conference Hall দা লাকপীদুনা Interview অমুক হন্না য়াওবীয়ু। Interview অসিদগী কেন্দিদেট ১০০ মুক খনগৎচরগা দিল্লিদা Smart Trainer গীদমক ট্রেন তৌরুনবা থাজগনি লোয়ননা Trainer শিংগী Stipend তাং ৪-৯-২০১৭ ইংদা পীজগনি।

**Sd/- RDS KHANGEMBAM**
Project In-charge, North East State Nano Science & Technology Education

HL-P/4092/27




HL-P/2143/25to31 Aug




HL-B/4054/4to3 Sept.

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF TOURISM**

**NOTICE INVITING TENDER**

Imphal, the 26th August, 2017

**No. 1/423/2017-DTSM:** Sealed Bids in two separate envelopes bearing "Technical Bid" and "Financial Bid" enclosed in one single envelope are invited by the Directorate of Tourism, Government of Manipur from intending reputed Firms/Agencies for one of or both the following Tender specifications:

| Tender Specification No. | Particulars | EMD (in Rs.) | Last Date of Submission |
|---|---|---|---|
| DOT, MANIPUR/RFP-PC/MSF-2017 | Promotional Campaign in Important State Capital other cities of the Country for Manipur Sangai Festival (MSF)- 2017 | 1,00,000 | 12.09.2017 |
| DOT, MANIPUR/RFP-MA/MSF-2017 | Marketing activities for Manipur Sangai Festival (MSF)- 2017 | 1,00,000 | 12.09.2017 |

Request for Proposal (RFP) is available in our website www.manipurtourism.gov.in & www.manipur.gov.in from 27.08.2017 (onwards). Duly filled in Tender/Bid must reach the office of the undersigned on or before 3.00 pm on 12.09.2017.

Sd/- R. Sudhan
Director (Tourism), Manipur

HL-B/4091/27